# ইন্টরনেসনল দে ওফ ফোরেষ্ট - ঐখোয়গী চীংজাওশিংবু লাইফমলেন ওইনা থম্বীরম্বা উমং কন্নবা থৌরাংনি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

***ফোরেষ্ট এন্দ হেল্থ*** - কুমসি চহী ২০২৩গী ওইবা য়াম্না মরু ওইবা পাউজেলনি। ***ইন্টরনেসনল দে ওফ ফোরেষ্ট*** থৌরমগা মরী লৈনবা কুমসি চহীগী থিমনি। হৈমন শিংমনবা অদুবু নাকল নামখক্তমক য়েংবা মীওই কয়ানা নৈহৎপীরবা উমংশিংবু কন্নবা খোঙহৌ অমা মালেমগী থাক্তা লাকখি। কুমজা ২০১২দা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা মার্চ ২১বু ***ইন্টরনেসনল দে ওফ ফোরেষ্ট*** হায়না লাউথোকখি। চহী খুদিংগী থৌরম অসি মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। পাঙথোকফম থোকপনি, খোঙহৌ অসি থেংবু থেংমল্লবনি। ঐখোয়না লঙজখিবা, উমংশিংবু থৌওই উশিৎখিদবা কয়া অদুগী মহয় ঐখোয়না ফংলিবসিনি। অঙ্গৈং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম মফম মরাং খঙলক্ত্রে। মালেম ইমানা ওল্লাঙ ওনশাউবসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ঐখোয়গী মফমণিপুরদসু অদু মঙায় ***পামেল উমং অশোঙবা/চীংনুং মান্নুং অসুকপা/ইমাগী মণি লোৎফমনি/মচা ঐখোয়গীদমক্তা*** হায়না শৈথারম্বদুনা কদোমদা! চীংমায় কয়াদি পোপি লৈরাংনা মহুৎ শিনখ্রে। য়াস্থৎল-চোংখৎল, হাইদৎল-থিনগৎল রাবন মকোক্কা পাংখক ওইরে। অশেংবা নুংশিৎকী তুংনফম ওইরিবা অশংবা চরৈ থোল্লিবা উমং ৱামংবু লাম্নৈগী মৈরিনা মৈৱায়হল্লি, মৈখুনা তরু তরুবা অতিয়াগী মশক মচু হোংহল্লি। মসিদনি নোংনা নোংলিকপী, তুরেলনা য়াঙ্গংবী, চীংজাওনা লুকোকপা ওইরক্লিবা। ঙসি ঙরাংমক তাইবঙ থৱায় ওইরিবা ঈশিং তাঙবগী অৱাবা চৈথেং ফংলবনি। ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনৈ, উমং কোকথোকপনা করি ওইরকই হায়বদু। হায়রুরসু তাক্লুরসু মতিং ফূদোকখৈ শাউনবসু য়াওই। অখঙ অহৈশিংনা উমং কন্নবা পীবা পাউতাক লাউবা খোল্লাউ লৈঙাক্লা পায়খৎপা থৌরাংবু তেমশিংনবা মীওই মশীং খঙদনা চোংথোরকই। উমং ৱামংদা শাইদাংদুনা হিংলক্লিবনি হায়বসি হেক হেক কাউথোকই। তৌগেদা ঙম্বা মীওইবনি হায়বগী নৱাংবনা হেনমনখিদুনা উমং কয়াবু নৈহৎপগী পেনবা কৌবা লৈতে। ইশাগী ওইজবা কান্নবা শেন্দোংতবু খল্লিনৈঙদা ইচা ইশুশিংদি কন্বীদা ঙৌবা লেম্লে ঙাগা পাংখক ওইহৌরনি হায়বসি থোইনা খন্থরুদবগুম তৌরি। অসিগুম্লবা তমথীরবা ৱাখল্লোন অসি ঐখোয়গী থোপসিদগী মরা মরু য়াওনা ফূক্তৎলগা লংশেকখ্রগে হায়বা পান্দম ওইরম্বসু য়াই য়ু এন এসেমব্লিনা উমং কন্নবা খোঙথাং লৌখৎলকখিবদু।

ঐখোয়গী ওইনদি মালেমদা চাওথোক্লফমনি। ইখৌ পোঙনা লাউবা ঙম্ননবা ইপা ইপুশিংনা লম্বী য়াৎপীরম্মী। লাই হাক্তক্তগী হৌনা উমং ৱামং কন্ননবা লাইৱাগী মশক ওইরবা ৱারী-ৱাখোঙ, থবক থৌরম, লেঙদ খুভম মশীং মপান নাইদবমখৈ থম্বীরম্মী। ঐখোয়গী উমংশিংদা শিদয়াই-নাদয়াই ওইবা হীদাক ফংই হায়বসি সতী খোংনাংগী ৱারীনা খুদম চাংদম ওইরি। উ অমা য়ানববু তরাই তরাইনা হেক্তমক য়াল্লমদে। য়ান্দ্রিঙৈ নোংমা মাঙওইননা লুপা কোনয়াই, সনা কোনয়াই, য়েরূম কাংখিন হাপ্তুনা পোৎলম চৈরম কৎলগা পাউকৎলিবনি। মদু ফাওবদা মমা মপা ওইরিবা ঈরোক লৈমা অমদি চীংশাং নাপোম্মা মচা কায়নরমদাইগী তেংথারোলনা তাইবঙ থম্মোয় নুংহিক্লহল্লি। উপাল-ৱাপালবু য়োক্তুনা থম্লিংবগী ঈথিল পীরিবনি, ঈনোৎ হাপ্লিবনি। হিজিং হিরাউনা খুদম চাংদমনি। উ অমা কারমদাইদা উ অদুদা লাইবক কৎপগী চৎনবী লৈরিবা ঐখোয়গী খুন্নাইনি। উপাল ৱাপালশিংবু কিনা, লুনা, ইকায়খুম্নবগী অচেৎপা ৱাখল্লোন লৈননবা ইপা ইপুশিংনা তাকপী তন্বীরম্বা হৌন লোনচৎনি। ***উপালনা লেপকং কংবা তৌহৈদে, অৱা অনা তাগল্লি*** হায়বগী থাজনবী অসিদা মখোয়বু মতীন মকাঙ তাদনবা চেকশিন্না শেন্নবীয়ু হায়বা পাউজেল নত্তনা করিবু ওইগনি। সনা খোংনাংবু লাইগী মতিক ময়াই য়াওবনি হায়না থাজনরিবসিনি। থায়না মমাঙঙৈদা উ হোঙবা, ৱা হোঙবা কুন্ধৈ লৈবাক নিংথৌ য়াওনা পাঙথোক্লম্বা উমং কনবগী থৌশিলনি। উমংলাই হরাওবগী লৈ লাংবদা কৎনবা লাইগী লৈ উমংদগী হেকপা চৎলি। খুদম ওইনা মোইরাং থাংজিং হরাওবদা খম্বা নোংবান অনীনা থাংজিং চীংজাওদগী লৈ হেকপা চৎপগী ৱারী পূম্নমক খঙনরবনি। ককচীং খল্লাংবা হরাওবদা য়াওদবা য়াদবা লাইগী লৈ নুংগারৈসু মহাচীংগী হৈবুংলোক্তগী মরু মরা য়াওনা ফূক্লগা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীদা কৎলি। হায়রিবা লাইগী লৈ পান্বী অনী অসি ময়ামদগী তোপ তোপ্পা পূংবা ওইনা হৌগদবনি। ফজখ্রবা থাজনবীনি। অসিগুম্লবা ঐখোয়গী নাৎ-কলচর, লাইনীং-লাইচৎ থাজনবী কয়াগা শাগোন্নদুনা লৈরক্লবা লৈরাংনচিংবা পান্বী কয়াগী মশাইকোন ওইরিবা উমং ৱামংশিংবু মাঙহনবা চুম্লিব্রা?

ঐখোয়গী চীংজাও চীংদোনশিংদা য়েলহৌ লাইনীংগা মরী লৈনবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংগী খুভম লিংদুনা অশেংবা লাইফমলেন ওইনা শক্তাকপীরম্মী, শকখঙবীরম্মী। মফমশিং অসিদা ঈরাৎ থৌনিজবগী থৌরম কয়া পাঙথোকপীরম্বা কয়াবু মীরোন মথং মথং লান্না থংথরক্তুনা ঙসি ফাওবা চত্থরি। লমদম অসিগী মীপূম তিংনা খঙনরবা ৱাফমনি - ***অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা, লাইময়াম খুন্দা অহানবা*** হায়না শৈথারিবসি। লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী তরু তরুবা খুভম লৈবগা লোয়ননা অশেংবা লাইফমলেন ওইরিবা কৌব্রু চীংজাওনি। অৱাং মায়গৈ ঙাক্লিবা লাইনিংথৌ কৌব্রুগা শাগোন্নরিবা চীংজাওসিবু কন্দবা য়ারিব্রা? নোংপোক নিংথৌ-পান্থোইবী অনীনা মতিক মঙাল নাইনা পানখিবা নোংমাইচীং চীংজাও ঐখোয়গী তাঙলবা লননি। লাইনিংথৌ মাজিংগী মশাইকোন হৈঙাং চীংনা মশেক মঙান নাইরকপা অঙকপা নত্তে, ইপা ইপুশিংনা শাগৎলম্বা মঙলান মঙফাওনবনি। লাইনিংথৌ ৱাংব্রেনগী ফম্বান নুংগা লোয়ননা উমংলাই মাপনগী খুভম নূঙ মাপন লৈরিবা ৱাংব্রেন চীং তরাই তরাইনা খনবা য়ারোই। লাইনিংথৌ থাংজিংনা নাউকোল্লিবা থাংজিং চীং ঐখোয়গী লেমজনফমনি।

অসুম্না মরোন মরোন নাইনা শন্দোকখ্রিবা, ইকোয় কোয়না পনশাদুনা ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীরিবা চীং কয়াগী মতিক ময়াই অমদি কমদৌনা লাইফমলেন ওইরিবা হায়বসিগা মরী লৈনবা শৈথারোলশিংগী মনুংদা চীংলোন লাইহুই অমদি চীঙ্গোইরোল পনবা য়াই। অসুম্না পিশুম, চীংঙা, লাংজিং, লোকপা চীং, হৈবোক চীংনচিংবগী মরমদসু থাজ ৱারী কয়া থম্বীরম্মী। খুদম অমা লৌখৎচগে - ***লাংজিংগী ৱাবু খঙনবা হায়গে/চীংখোঙদা লাইফম লৈবদো লাই অনী লৈবনে/মৈরেন গুরু অনীমানে/চীংদোন্দা কাপতু কাপলেন থারিবনে/নোংমদোনগী কৈরাক থারিবনে/লুৱাং গুরু পুন্সিবনা নোংগাবসু অদুদনে***। অসিগুম্লবা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা উমং ৱামং কন্নবা অথুপ্পা কাঙলোন য়াওবা কান্নরবা পাউজেল কয়া অসিবু থৌওইদবা তারবদি ৱাখল তাদবা ময়াম অমনা খুল্লিংবা খুন্নাই অমা ওইরকপা তাবনি। থম্বীরল্লিবা পূম্নমক অসিনা হায়রি - ঐখোয়বু পনঙাক্লিবা, নাউয়োক নাউকোনবীরিবা চীংশাং চীংজাওগিং অসি মপু মানা তম্বীরম্বা মপান নাইদ্রবা খুদোলনি। ঙসিগী য়াইফরবা নুমিৎ ***ইন্টরনেসনল দে ওফ ফোরেষ্ট***না লাকপগা লোয়ননা অশেংবা লাইফমলেন ওইরিবা চীং কয়াগী মতিক অরুবা খঙমিন্নরসি। উমং য়োকখৎসি, চঙ থোক থোকপা খুন্নাই অমগীদমক পূন্না হোৎনমিন্নরসি। ●

# মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ

- ভগিরথ মঙাং -

মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ অসি চহী অমগী মার্চ থাগী তাং ২১দা হেক হেক পাঙথোকই। মরু ওইবা পান্দমদি মালেম শিনবা থুংনা শৈরেং পাবা, ইবা অমদি তন্বীববু থৌগৎপনি। য়ুনেস্কোনা কুমজা ১৯৯৯দা শৈরেংগী শৈরোলনা লোল কয়া কয়া লৈরিবা মালেম অসিবু য়োকখৎ শৌগৎপীবতা নত্তনা শৈরেংবু মীদিয়াদা খরা হেন্না মরাং কায়হনবনি।

নুমিৎ অসিদা মালেমদা লৈরিবা অইবশিং, লাইরিক ফোঙবশিং, স্কুল, লাইব্রেরি অমদি নাৎকী লূপ কয়ানা শৈরেংগী মতিক ময়াইদা ঙাওমিন্নবগী থৌরমশিং পাঙথোক্নে। থৌরমশিং অদুগী মনুংদা শৈরেং পানবা, শৈরেং ইদুনা তাথোক তাশিন তৌনবা, শৈরেং পানদুনা শৈরেং হেন্দান্নবা (শৈদান্নবা) অমদি অতাবশিংনা মথৌ শঙবিবা, শৈরেংগী নুংৱাশিং ইথোক্তুনা ফক্লাংদা থেৎলগা থম্বনি, মীঙোন্দা য়েংহন-উহনবনি।

নুমিৎসিনা মীওইবগী পুন্সিদা শৈরেংনা লৌরিবা থৌদাং নীংশিংহল্লি। শৈরেংনা লৌবা থৌদাং হায়রগদি মসিনা লোলগী অতৈ পান্বৈনা ফোঙদোকপা ঙমদ্রবা পূক্লিং ইহুলশিং, ফাওরক-ৱা কয়াবু মচু তানা ফোঙদোকপা ঙম্বা, মীওইববু শৈরেংনা অনৌবা ফজবা কয়াবু পুথোকপা ঙমহনবা, ৱাখল ঈথক হৌহনবা, ৱাখলবু মসা পালহনবা, মীওইববু অতোপ্পা মী অমগী অৱা অনা মীনুংশি ফাওবা ঙমহনবা, মী কনাগী মবুক্লিং খঙবা ঙমহনবা, তুংদা লাক্কদৌবা মীরোলশিংদা হৌজিক হিংলিবা ঐখোয়না ফজরবা মীৎকুপশিং ফোটো কাপ্তুনা থমহৌবগুম্না তুংলমচৎকী লন ওইহৌনবা ইহল্লম্বা, অৱা অনা কয়াগী পোত্থানফম ওইহনবা অসিনচিংবশিং অসিনি। শৈরেংগী মথৌদাং অসি কয়াদি য়ামখ্রবনো? শৈরেংনা ইশানা ইশাবু অমদি খুন্নাইগী শক্তম অমদি ইশাগী ৱাখল ফোঙদোকচনবগী কল্লবা খূৎলায় অমসু ওইরি। তোঙান তোঙানবা নাৎ অমদি মান্নদবা হৌরকফম ওইবা মীওইবা কয়াবু শম্নহনবসু ঙম্মী।

মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ অসি কুমজা ১৯৯৯দা য়ুনেস্কোনা চহী অদুগী মার্চ থাগী তাং ২১দগী পাঙথোকপা হৌখি। কুমজা ২০০০দা মাউরিসসতা শৈরেং শৈদান্নবা অমা য়াওনা থৌরম অসি পাঙথোকই। মালেমগী কবি ময়াম শৈরেং শৈদান্নবা য়াওবা থৌরম অদুদা খ্বাইগী মকোক তাখিবা শৈরেং অদু পোর্ট লুইদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পাথোকখি। কুমজা ২০০১দা য়ুনেস্কোনা কলেক্সন ওফ রিপ্রজেন্টিটিভ ওফ ৱার্কস হায়বা অদু শৈরেংনচিংবা য়াওনা লোল কয়াদা হন্দোকপবু থৌগৎপা ওইনা হৌদোকখি। কুমজা ২০০২দা মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ অসি লৈবাক চান্মা হেনবনা পাঙথোক্লখি। শৈরেং পানবা, ইনদুনা তাথোক তাশিন তৌনবা অমদি শৈদান্নবা কয়া পাঙথোকখি। মালেমগী শৈরেংশিং অমদি কবিশিংগী উনফম তাথোক তাশিন তৌনবগীদমক কুমজা ২০০৩দা মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎকী ৱেবসাইট অমা হাংদোকখি। কুমজা ২০০৪দা মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎকী পোষ্টর অমা মেক্সিকান আর্টিষ্ট ফ্রান্সিকো তোলেদনা দিজাইন তৌখি। পোষ্টর অদুদা তোঙান তোঙানবা নাৎ কয়া অমদি মীওই কয়াবু পুনশিন্নহনবা ঙম্বা শৈরেংগী মতিক্কী শক্তম উৎতুনা লাইরিক অমদি কলম মানবা মসা লোঙবা উ পান্বী অমগী শক্তম পুথোকখি।

মতৌ অসুম্না কুমজা ২০০৫দা "লাইরিক পাবা অমদি হায়নীংববু হায়দোকপা" হায়বা হীরমদা থৌরম কয়া পাঙথোকখি। কুমজা ২০০৬তনা Pablo Neruda, Federico Garcia Lorca অমদি Gabriela Mistral নচিংবগী শৈরেংশিং য়াওবা লাইরিক অমা ফোঙখি। থৌরম অসি কুমজা ২০০৭তনা "শৈরেংগী তুংলমচৎ" হায়বা হীরমদনি। শৈরেংদা লাক্লিবা অহোংবা কয়া, টেক্নোলোজি শীজিন্নরকপা অমদি ওল্লক্লিবা অপূনবা মালেমগী চৈফুগী মরমদা খন্ন-নৈনখি। অসুম তৌদুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

থৌরম অসিগী পান্দমশিং : ১) মালেম পূম্বদা শৈরেং ইবা, পাবা, তন্বীবা থৌগৎপা (২) শৈরেংগী খুফোঙদোক্লা লোল কয়া কয়া লৈরিবশিংবু তেংবাঙবীবা, লোল কয়াদা শৈরেংশিংবু হন্দোকপদা মতেং পাংবীবা (৩) মীদিয়াদা শৈরেংসিবু হেন্না উহনবা, নাৎ অমদি মীওইবগী পুন্সিদা শৈরেংগী মরু ওইবদু হেনগৎহনবা (৪) শৈরেংগী ঙাওজরোইশিং অমদি শৈরেং কবিশিংবু ফাওনহনবা, মখোয়গী শৈরেংশিং লান্থোক লানশিন তৌনহনবা, তোঙান তোঙানবা নাৎ কয়া, ফুরুপ কয়াগী মরক্তা শে মায় হেন্না শৈরেংগী মতেংনা ফাওনহনবা (৫) শৈরেংগী মফজ অমদি মতিকপু ঈরাৎমিন্নবা অমদি শৈনৌ কবি অমদি শৈঙাওরোইশিংবু থৌগৎপীবা (৬) শৈরেংগী কলাবু নাৎ অমদি লোলদা মসিনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী য়েংলগা ইনখৎপীবা (৭) মালেমদা শৈরেংবু মশক থোক্লা খঙহনবা অসিনচিংবনি।

চহী চহীগী ওইনা থৌরম অসিদা অহোংবা কয়া লৈ অদুবু নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্লবা থৌরম খরদং মখাদা থমজগে :

১) লাইব্রেরি, লাইরিক য়োনফম, স্কুল অমদি মীয়াম তিনফমদা শৈরেং পানবা (২) কবিশিংগা তোৎনহৌনবগীদমক শৈরেংগী অনৌবা মফোঙদোক তমহৌনবগীদমক অমদি শৈরেং ফগৎনবগীদমক শৈরেং ইদুনা তাথোক তাশিন তৌননবা থৌরম (ৱার্কশোপ) পাঙথোকপা (৩) শৈদান্নবা অমদি অহৈবশিংদা মনা পীবা (৪) অইবা মশেল অমগা অমগা ফাওন-শম্নহন্নবা অমদি মালেমদা লোল ময়াম অমা লৈরল্লিবসি ফৈ হায়বদু খঙহন্নবা লোল অমদগী অমদা শৈরেংশিং হন্দোকপগী শৈহন পাঙথোকপা (৫) লূপ কয়ানা, ফোঙমী (পব্লিশর) কয়ানা শৈরেংগী লাইরিকশিং ফোঙনবা অমদি অখন্নবা চেফোঙশিং পুথোক্লবা (৬) লম্বীদা, পার্কতা শৈরেং থিবা হৈবা মীশিংনা শৈরেং পাথোক্লবা (৭) মহৈ তম্ফমশঙশিংদা শৈরেং ইনবা, পানবা অমদি শৈরেংগী মতিক ময়াই শৈথানবা (৮) ওনলাইন শৈরেং শৈদান, ওনলাইন শৈরেং শৈদিন, শৈনৈ মখল মথেল পাঙথোক্লবা অসিনচিংবনি।

শৈরেংবু ঐখোয়না করিগী অসুক লুনা লূম্না লৌনরিবনো হায়বদু নৈনবা য়াই-

১) পূক্লিংদা ফাওরকপা ইহুল পূম্নমক্কী তাইনফমনি শৈরেং। তোপ তোপ্পা ফোঙদোক্লোন অমদা মানা ফোঙদোকপা ঙম্মী। নুংদা য়াম্না লুনা লৈখ্রবা ৱাখলশিং শৈরেংনা আ য়ৌনা ফোঙদোকপা কোৎথোকপা ঙম্মী। (২) শৈরেংনা অনৌবা ৱাখল অমদি পূক্লিং ইহুলশিং ফোঙদোকপা অমদি লোন শেম শাদুনা, চাংয়েং তৌদুনা অনৌবা মওংদা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লবা তাঞ্জা অমা পীবা ঙম্মী। (৩) লমদম অমগী নাৎ চৎনবীবু শৈরেংদা উৎথোকপা ঙম্মী। (৪) ইতিহাসকী মচাক অমদি চৎনবী নাৎ কয়াবু শৈরেংদা য়োক্তুনা থম্বসু লৈজে। (৫) ফুনগৎতুনা লৈবা অৱাবা কয়াগী থোকখিফম অমসুনি শৈরেং অসি। (৬) শৈরেং কয়াবু মহৌশা খূৎশেম্না ঈহৌহনখি অদুগা শৈরেংনসু মীওইববু মাগী অকোয়বগা থানহন্দে অমদি মহৌশাগী ফজববু মতম পূম্বদা খঙহন উহল্লি। (৭) শৈরেংদি লোল কয়াগী ৱাংমা লান্না চৎপা ঙম্মী, নাৎ কয়া ফাওরগা চৎখিবা ঙম্মী, মীওই কয়াগা খুদিংমক্তা ফাওনবা ঙম্মী। মীনাৎ ঈনাৎ হায়বা লৈতনা ফাওনবা ঙম্মী।

করম্বা শৈরেংনা ফজবনো হায়বসি হায়বা লুই। মসি য়াম্না সবজেক্টিভ ওইবা কলা মওং অমনি, মী মীগী ৱাখলগী ওইবা পাউখুম লৈগনি। মসি মওং মওং কয়াদা নৈনবা য়াবা পোৎশক অমনি। করম্বা শৈরেংনা ফজবা ওইনবগে হায়বদু অখঙ অহৈশিংনা অসুম্না পীনবা মোত কয়া থেংনজৈ - ১) অইবগী অশেংবা পূক্লিং ইহুল নুংফাও অদুম্মক ইগদবনি, ৱাশিন্নবা, কপশিন্নবা য়াদে হায়বীরি। (২) প্রমান পান্থৈ কয়া কয়া শীজিন্নদুনা অপাবা মীদা ৱাখল অমা শাগৎহনবা, উহনবা ঙম্বা লোল অমা লৈগদবনি (সিম্বোল, ইমেজরি) হায়রি। (৩) রাইম, এলিটরেসন অমদি খোন্থোক্কী ওইবা পান্বৈগী মতেংনা খোয়থুম্নবা, ঈশৈগুম্না তান্থা নাইবা অমা ওইগদবনি হায়রি। (৪) ফজবা শৈরেংদি মরেপ য়াম্না লৈগদবনি, মরোল মরোল নাইবা অর্থ লৈগদবনি অমদি মরেপ লৈগদবনি হায়রি। (৫) হেন্দোক হঞ্জিন লৈতবা ৱাহৈ কয়ানা শেম্বা অদুগুম্বা শৈরেংশিংনা নীক নীক চোনবা অমদি চপ চাবা ওইগদবনি হায়রি। (৬) অনৌবা হীরম, ময়ামগা মান্নদবা খূৎই অমদি অনৌবা চাংয়েং কয়া তৌবা ওইগদবনি হায়রি।

মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ অসি মণিপুরদসু পাঙথোক্লবা হৌরক্লে। মসি ঐখোয়না সাহিত্যগী চেনখৎলক্লিবা লমজেল অসিদা য়াওবগী মশক অমনি। নুমিৎ অসিদা অনৌ অনৌবা মরু ওইবা থবক থৌরম কয়া সাহিত্যগী লূপশিংনা পাঙথোকপা য়াম্না মতিক চাগনি খঞ্জে। মণিপুরদা মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ পাঙথোকপা হৌখ্রে। মসিমক য়াম্না তঙাইফদবা থৌদাং অমনি হায়জনীংই। ●

# চৈরাওবা অনী থোকপা নত্তে, থৌরমদি অনী থোকপনি

- টি ঐচ ইবোমচা -

চহী হৌবা হায়বসিমক্তবু মালেমগী অরি অনৌ হায়বদি অরিবা উনা কেনখ্রগা অনৌবা উনানা চোংলকপা মতমদনা খ্বাইদগী চানবা ওইগনি। অদুনা লমতা থানা লোইখ্রগা শজিবু থাদা চৈরাওবা ওইবসিনা হেন্না চানবা ওইনা লৌজে। অদুবু ইরমদম মণিপুরগী মীয়াম্না হেক হেক হায়নবা তাজৈ চৈরাওবা অনী থোকই হায়না। অদুবু অইবনা মমাঙগী চহীদসু ইজখ্রে চৈরাওবা অনী থোকপা নত্তে, থৌরম অনী থোকপনি হায়না। হায়রিবা থৌরম অনীমক লাইনিংথৌ সনামহীনা পুথোকপা ঙাক্তনি, অহানবনা সনামহীনা মপাগী য়াথং ইন্দুনা তাইবঙ মালেম লৈখোঙ মপুং ফানা কোয়রুরগা হল্লকপদা মনাও কোনজিন তোথুপ্পনা ফম্বালগী নিংথৌ ওইদুনা লৈরম্বা উবদা শাউমন্দুনা হায়খি থৌরমসিদা তেংলম্বশিং চৈরাক পীনি হায়না অশাউবা উত্তুনা ঙাঙলল্লবা তুংদা অরানবা থৌদোক্তা হান্না থোকখ্রবা মালেমসি লৈথক লৈখা ওল্লগা অনৌবা মালেম শেম্লগে থৌরাংখি। থৌওংদু উরদুনা অতিংকোক শিদবনা কোরৌ নোংদোল থক্তগী কুম্লকখি।

অতিংকোক শিদবনা মচা সনামহীদা তাকপীরকই ইবুংঙো ননাওনা ফম্বালগী নিংথৌ ওইখ্রসনু, নঙনা তাইবঙ মীওইবশিংগী য়ূমগী নিংথৌ ওইয়ু হায়না তাকপীবগা লোয়ননা লাইনিংথৌ মিংথোল পীবিখি। মপাগী য়াথং ফংবদা সনামহীনা হরাওনা য়াজখি। থৌওংদুদা পেল্লবা শিদবা মপুনা মচা সনামহীদা তাইবঙ লৈশেম্নবা য়াথং পীরল্লগা কোরৌথক্তা কারগা হান্নগুম হীরি কোন্দুনা লৈখ্রে। মশাগী মতিক ময়াই মপূং ফানা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহীনা ইরমদমসিগী লৈশেম্বা হৌখি। লাইনিংথৌনা খনখি ইরমদম অসিদি মালেম পূম্বদগী তোপ তোপ্পা মওংদা শেম্লগে হায়বা ৱাখলগা লোয়ননা চীং হান্না শেম্বা হৌখি, অশোমদা ফম্বাল নিংথৌনা লিনগী শক্তম লৌরগা মমৈনা চীংশিংদু থুগাইরকই। (অশম্বা ৱারী)

মতম অসিদা লাইনিংথৌ সনামহীনা উরে মনাও তোথুপ্পনা মশানা শেমজবা চীং পূম্নমক তোথুপ্পনা লিনগী শক্তম লৌরগা মমৈনা থুগায়দুনা মাঙহনবদু, মতম অদুদা সনামহীনা মপাদা ৱাকৎলকই, য়েংবীয়ু ইপা ইবুংঙো নচা তোথুপ্পনা তৌরিবসি মতম অদুদা অতিংকোক শিদবনা লাই নুরাবী ৭ পুথোক্লগা হায়রকই, আদা লিনগী শক্তম লৌরগা চীং থুগায়রিবসি নখোয়না মাবু ফাজিল্লগা ইফুৎ ফাউনরগা থমউরো হায়না থারকই। তাঞ্জা অদুদা শিদবা মপুনা য়েংশিনখি, মচা সনামহীনা লৈশেম্বা হৌখিবা নুমিৎ থবালদুবু। মদুদা ওইরমই থানা শজিফু অদুগা থবান্না নোংমা পানবা অদুবু কোঞ্জিন তোথুপ্পনা লিনগী শক্তম লৌরগা শেমদুনা লৈরবা চীংশিং থুগায়খিবদগী লৈশেম্বা মতম খরা লেপখি, অদুবু লাই নুরাবী তরেৎনা কোঞ্জিল তোথুপ্পবু ঈফুৎ ফাউনদুনা থমখিবদগী লাইনিংথৌ সনামহীনা অমুক লৈশেম্বগা লোয়ননা শরোয় ঙারোয়নচিংবা শেমদুনা লোইরে।

মখা তারকপদা নোংমা অমা, চীংখোঙদা লেনখিবা নুমিৎ অদুবু নোংমাইচিং হায়না মিংথোলখি, নোং ঙাল্লগা লাইনিংথৌ সনামহীনা চীংদা কাখি, নুমিৎ অদুবু নিংথৌকাবা হায়না মিংথোনখি, মথংদা নিংথৌনা লৈবাক অমা শেমখি নুমিৎ অদুবু লৈবাকপোকপা হায়না মিংথোনখি, লৈবাক অমা লৈরবনিনা য়ূম, কৈ শাখি নুমিৎ অদুবু য়ূমশকৈশা মিংথোনখি। য়ূম কৈ, শা-শগোল লোয়রবনিনা ষণ, শগোল শেলবা চৎলি হায়দুনা নুমিৎ অদুবু শগোলশেল হায়না মিংথোনখি। শগোল লৈরবনিনা মীশিং অদুনা শগোল তোংদুনা চৎপদা ঈরম খোংলম থেংনৈ হায়দুনা নুমিৎ অদুবু ইরাই হায়না মিংথোনখি। ঈরম খোংলমদা হৌবা উ, ৱাশিং য়ান্নবা থাঙ অমা শাখি হায়দুনা নুমিৎ অদুবু থাংজ হায়না থোনখি। (অশম্বা ৱারী)

মীতৈগী চক মরি হয়িচক, হয়াচক, খুনচক, লাংবচক হায়রিবা চক মরিসিগী অরোইবা চক অসিগী মনুংদা ঙসিদগী চহী লিশীং অনী ফাওবদি লমদমসিদা লোক্তাক লৈরমদে, চীংগী চীংখোঙ ফাওবা ঈশিং থুমদুনা লৈরমই। কনাগুম্বা মতিক ময়াই য়াম্না লৈবা লাই অমনা চীংনুংহুৎ তুরেল হুৎলগা ঈশিং চিংথখিবদা হান্না কংবা কংলা লৈরকখিবগা লোয়ননা লমদমসিদা মীয়াম্না খুন্দাখিবা লোয়ননা চীং-তম অনীমক্তা ত্রাইব ৩৪গী মথক অদুগা মীতৈগী মিংনা হৌরগা অতোপ্পশিংনা মশা মশাগী ফুরুপকী মিংশিংনা শমথবা ফুরুপ মরি লৈরি। হায়রিবা ফুরুপশিং অদুদি মীতৈ, মীতৈশিংগী অপূনবা ফুরুপ, মখোয়গী তোঙানবা চৎনবী খরা লৈ। অনীশুবা ফুরুপ্পা মীতৈ হিন্দুশিংনি হায়রিবা ফুরুপসি লমহাং তোংদা শ্রীবিষ্ণু লাৎনরবা বিষ্ণুপুর মিংথোল্লবা তুংদা ফোঙদোকখিবা মীতৈ হিন্দুশিংনি। হায়রিবা মীওইশিংসিদি ময়ূমদা লাইনিংথৌ সনামহী লাৎলি, মন্দিরনা হিন্দুগী লাই লাৎলি, মখোয়বু বৈষ্ণবনি হায়নৈ। অহুমশুবা ফুরুপ্পা মীতৈ পাঙলশিংগীনি। মখোয় মপাল লমদা য়াম্না চাওবা ফুরুপ লৈ। লোয়ননা মশাগী লাইনীং অমদি চৎনবী লৈ। মরিশুবনা খৃষ্টিয়ানশিংনি। হৌজিক্তি লমদমসিগী চীংগী ইচিল ইনাও অয়াম্বা অদুগা তম্পাক লমদগীসু মীওই খরা য়াওশিন্দুনা য়াম্না মপূং ফাবা ফুরুপ ওইবগা লোয়ননা যিশু পোকপা নুমিৎপু খৃষ্টমাস হায়না মালেমদা চহী লোইবা, চহী হৌবা হায়না খঙনরি। মীতৈশিংনা শজিবুগী থাদা চহী হৌবা চৈরাওবা থৌরম পাঙথোক্লরমই। হায়রিবা থৌরম অদু মীওই খরনা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লবগী পাউ তাখি। অদুবু ঐখোয় মীতৈ হিন্দুশিংগীদি মৈহৌরোনগী পুয়া নৈনরোলদা সনামহীনা লৈশেম্বা হৌখিবদি শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিৎনি অদুবু লাইনিংথৌ সনামহীনা শেম্বা হৌবদি চীং হান্না শেম্বা হৌবনি অদুবু কোঞ্জিন তোথুপ্পনা লিন ওল্লগা মমৈনা থুগায়রকপদগী লৈশেম্বা লেপখি। থৌওংদুদা শাউরবা লাইনিংথৌ সনামহীনা ৱাকৎপদগী অতিংকোক শিদবনা লাই নুরাবী ৭ থারক্তুনা পাখংববু ঈফুৎ ফাওহল্লগা থমখ্রবা তুংদা সনামহীনা অনীরক শুবা ওইনা লৈশেম্বদদি চীংলোন মাপল শেম্বগা লোয়ননা থৱায় পানবশিং শরোয় ঙারোয়, মোনু তাইবঙ মীনচিংবা শুনা শেম্বগা লোয়ননা লাইনিংথৌনা পুথোকপা চক্কী অথোইবশিংদা শজিবু চৈরাওবগী চৎনবী লাকখি। মতাং অসিদা অইবা ইশাগী ওইবা ৱাফম খরা থমজরি মদুদি ঐনা হেক খঙলকপদগী ইশানা লৈরিবা কোলুপশিং অথাপ্পা মফমশিং ফাওবদা চৈরাওবগী থৌরমসি নোংমা পানবদা চৈরাওরক্তে, অদুবু অতোপ্পা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওনবসু য়াওই হায়বা খঙলকপদগী অইবা ইশানা থৌদোক অসিগী অচুম অরান খঙনবা পুয়াগা মরী লৈননা নৈনবগী শন্নপ্পা ৱারোলশিং মথক্তা উৎচরিবদুনি, অইবগী ৱাখলদদি চৈরাওবগী থৌরমসি মথংগীসিনা চুমই।

মরমদি অহানবগী শজিবুগী নোংমা পানবদদি মপান্দা চাক থাদোক্কদবা শরোয় ঙারোয় শেমদ্রিবনা, মরমসিনা শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিত্তদি ঐখোয়না য়ূমগী লাইনিংথৌ সনামহীদা ঙমজবা অথেন পোৎ কৎলগা অচম্বা পোৎলমশিংদু থোংলগা য়ূমগী ইমুং খক্তা চাগনি। অদুগা অকোনবগীসিদদি সনামহীদা কৎলবা অচম্বা পোৎলমশিংদু থোংলগা অহানবদা মপান্দা চাক থাফম শেম্লগা শরোয় ঙারোয়দা হান্না কৎকনি , য়ূমগী অহলশিংনা চহীসিগী অৱা অনা কোক্লবা থৌজাল নীজরগা ইমুং মনুং পূন্না নুংশি চান্নরা চামিন-থকমিন্নরগা নুংথিল মতমদা অহলশিংবু খুরুমজগনি। ৱরেং অসি ইজরিবা মীশক শ্রীথোকচোম ইবোমচাসিং, ৱার্ড নম্বর ৫ শ্রীরাধামাধব লৈকায়, নিংথৌখোং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট মণিপুর, চৈরাওবা অনী থোকপা নত্তে, থৌরমদি অনী থোকপনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।